# ১২ শুবা সাগ গেমস অসিনা ফুটবোল্লর বেমবেমগী অরোইবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট ওইরগনি

মণিপুরগী স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী





হান্নগী মখা...

ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা শান্নরকখিবা অসিদা ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্তেন মঙারক ওইখ্রে। হন্দক্কী সাগ গেমস অসিনা বেমবেমগীদি তরুক্লক শুবনি। অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৩ দা থাইলেন্দদা তৌখিবা এ এফ সি ক্কালিফায়িং কম্পিটিশন্দা মহাক্না ইন্দিয়া টিমগী কেপ্তেন ওইদুনা লুচিংখি। অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ২০১০ দা বংলাদেশতা পাঙথোকখিবা "১১ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস" তসু কেপ্তেন ওইনা শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা ইন্দিয়া টিম্না শরুক য়াখি। খোঙচৎ অসিদা ইন্দিয়া টিম্না ৱিন্নর ত্রোফিসু লৌরকখি। মসিগী মখা তারকপা কুমজা ২০১২ দা কলম্বোদা তৌখিবা সেকেন্দ সাফ ৱিমেন'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তসু মহাক্না কেপ্তেন ওইদুনা চৎখি। মদুদসু ৱিন্নর ত্রোফি লৌবা ঙম্লকখি। কুমজা ২০১৪ দা ইস্লামাবাদতা তৌখিবা অহুমশুবা সাফ গেমস গেমসতসু বেমবেম্না ইন্দিয়া টিমগী কেপ্তেন ওইদুনা চৎখি।

হায়রিবা সাফ গেমস অদুদসু ৱিন্নর লৌরকখি। মসিগী মখা তারকপদা সাউথ কোরিয়াদা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা "১৭ শুবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস" তসু ইন্দিয়া ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইদুনা শরুক য়াখি। অসুম্না লিশাংশিংনা ইন্টরনেসনেল থাক্তা কুমজা ১৯৯৫ দগী হৌরগা ঙসি ফাওবা শান্নরকপা অসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন্নসু কুমজা ২০০১ অমদি ২০১৩ দসু অনীরক হন্না বেষ্ট ফুটবোল্লর ওফ দ ইয়রগী মিংথোল পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎলকখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু বেষ্ট ফুটবোল্লর ওফ ইয়রগী মিংথোল অনীরক ফংবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি ফুটবোল্লরগী মনুং চন্দুনা ঙসিদি চহী ২১ লেপ্তুনা শান্নবা ঙন্বী প্লেয়রসু ওইরে।

ওইনাম বেমবেম কুমজা ১৯৯৫ দা তৌখিবা অহুম্লকশুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তুগী নেসনেল থাক্তা শান্নবা হৌরকখি। মতম শাংনা শান্নরকপা অসিদা কুমজা ১৯৯৬/৯৭ তা মণিপুর টিম্না রন্নর্স-অপ অমুখক তাখি। অতৈদি ৱিন্নর ঙাক্তা লৌরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০২ দগী মণিপুর টিমগী কেপ্তেন ওইবা ঙম্লকখি। কুমজা ২০১৪ দা তৌখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসকী মাঙওইননা চাইনাদা তৌখিবা "স্পিসিয়েল এক্সপোজর ট্রিপ" অমদসু ও বেমবেম্না ইন্দিয়া টিমগী কেপ্তেন ওইখি। খোঙচৎতুদা ইন্দিজয়াগী নুপী ফুটবোল্লর ১৮ খঙ্গৎপদা মণিপুরদগী ১১ য়াওখি।

নীংশিংবা য়াবদি, গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স ফুটবোল টিমগী শান্নরোয়শিংদি মথংশিংনা গোল কিপ্পরদা অদিটি চৌহান, রোসনী দেৱী, পান্থোই চনু, দিফেন্দরদা আশালাতা দেব, রাধারানি দেৱী, মনিশা পান্না, সুপ্রিয়া রোট্রি, উমাবতি দেৱী, দালিমা ছিব্বর, মীদফিল্ডরদা ওইনাম বেমবেম (টিম কেপ্তেন), প্রেমি দেৱী, সঙ্গিতা বাসফোর, মার্গ্রেট দেৱী, সুস্মিতা মালিক, প্রমেশ্বরী দেৱী, শঞ্জু, ফোরৱার্দতা বালা দেৱী, দাঙমৈ গ্রেস, কমলা দেৱী, প্রিয়ারী ঝাঝানি।

বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা সাগ গেমসতসু ওইনাম বেমবেমনা ইন্দিয়া ৱিমেন'স ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইদুনা চৎখিবদা ৱিন্নর ট্রোফি পুরগা লাকখি। হন্দকসু সাউথ এসিয়ন গেমস অসিদগী শোয়দনা মাই পাক্লক্কনি হায়বসি ফুটবোল্লর অসিগী চাউনা থাজবনি।

# ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোলদা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি রায়পুর লীগ ষ্টেজ চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ

এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিজ (ন্যু দেল্লি) গী থৌশিল মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শিন্দুনা এম য়ুগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী নোক আউট ষ্টেজ রাউন্দ ঙসি লোইখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়াওনা টিম ৪ লীগ ষ্টেজগীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে।

লীগ ষ্টেজকীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রবা টিমশিং অদুদি রাঞ্চি য়ুনিভর্সিটি, পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি, বি আর এ বিহার য়ুনিভর্সিটি অমসুং য়ূম্বু ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনি।

হয়েং লীগ ষ্টেজগী মেচ মরি শান্নগনি। অহানবা মেচ অয়ুক পুং ৮ তাবাম তমদা রাঞ্চি য়ুনিভর্সিটি অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি অমসুং বি আর এ বিহার য়ুনিভর্সিটিগা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা রাঞ্চি য়ুনিভর্সিটি অমসুং বি আর এ বিহার য়ুনিভর্সিটিগা শান্নগনি। মরিশুবা মেচতনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং পন্দিট রবিশঙ্কর য়ুনিভর্সিটিগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা নোক আউট ষ্টেজগী অরোইবা মেচ অদুদা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিনা উত্তর প্রদেশকী ভি বি এস পুরবাঞ্চল য়ুনিভর্সিটিবু গোল ৯-০ দা মায়থীবা পীদুনা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি লীগ ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।



মায় পাক্লবা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চত্থখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিনা গোল মরি চনখি। হাফ মতুংদা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিনা গোল মঙা অমুক চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৯ শুখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা মতমদগী হৌনা পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী মতম পুম্নদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা মীকুপ কাংদনা অকনবা এটেকশিং চত্থদুনা গোল মথং মথং চনশিনবা হৌখি।

মেচকী য়াম্না অঙনবা শরুক্তা মায়কৈ অনীমক্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নরম্লবসু তপ্না তপ্না পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লাগী শান্নরোয়শিংনা গোল চনবা হৌরকখি। গোলশিং অদু সোভা চুরানা গোল অহুম মেচকী ২৫, ৩৩ অমদি ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মনিসা শাহুনা গোল অনী মেচকী ৩৫ অমসুং ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখি। গাইত্রি শাহুনা গোল অনী মেচকী ৩০ অমসুং ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি। সোভা শাহুনা গোল অমা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা অদুগা কবিতা শাহুনা গোল অমা মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৯ শুখি।

মেচ অদুদা ভি বি এস পুরবাঞ্চল য়ুনিভর্সিটিনা গোল চন্ননবা ফনা কন্না শান্নরবসু টিমগী মরক্তা অমগা অমগা চুংশিন্নবা ৱাৎখিবা মরম্না পন্দিট রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

# ফোর মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ

সাউর্দন ইম্ফাল য়ুঠ ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেশন (এস আই ৱাই দব্লিয়ু ও) নিংথেমচা কারোং মোংশাঙ্গৈনা শিন্দুনা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ফোর এ সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট এস আই ৱাই দব্লিয়ু ও ত্রোফি ২০১৬ থা অসিগী ১৭ তগী পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা ক্লবকী ওর্গেনাইজরশিংগা উন্দুনা ফোর্ম লৌরগা পীশিল্লকপা য়াগনি। ফোর্মগী মমলনা লুপা ২০০ ওইরগা এদমিশন ফীনা লুপা লিশিং ২ নি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা অকুপ্পা মরোল সাউর্দন ইম্ফাল য়ুঠ ওৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেশনগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।



ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা পাকিস্তান্না অহানবা ওইনা মসিগী ইন্টরনেসনেল কম্পিটিশনগীদমক নুপীগী বোক্সিং স্কাদ থারক্তুনা শরুক য়াহল্লিবা টিম মেম্বরশিং

# সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লব এম সি এ ইলিট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ২ শুবা এম সি এ ইলিট টুর্নামেন্টকী মেচ ২৫ শান্নখ্রবা মতুং সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লব থাংমৈবন্দ পোইন্ট ২৪ ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখ্রে।

সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লবনা ফাইনেল চঙবা অহানবা টিম ওইখি। ফাইনেলগীদমক সাইক্লোনগা থেংনগদৌরিবা অতোপ্পা টিম অদু করম্বা ওইগনি হায়বা ঙমদ্রি। মরম অদুনা হৌজিক টিদ্দিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) ক্কাকৈথেল, রেজ নাগামপাল, ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল হায়রিবা টিমশিং অসিনা অকনবা লান্থেং চত্থদুনা ফাইনেল চঙনবা হোৎনগদৌরি। হায়রিবা টিমশিং অসিনা পোইন্ট চপ মান্ননা লৈরবদি নেট রন রেট (এন আর আর) গী মতুং ইন্না কনানা ৱিনর ওইগে হায়বদু লেপকনি।

# ১৮ শুবা নেসনেল চেছ চেম্পিয়নশিপ য়াওননবা ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ চহীসিগী মার্চ৩ দগী ৭ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী নিমুন্সতা লৈবা সুন্দর রাম হোটেল হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা তাবগী শক্তি ৱাৎলবশিংগী ওইবা ১৮ শুবা নেসনেল চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক ত্রাইএল সেলেক্সন অমা হয়েং পিশুম নিঙোম লৈরক্কী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর দেফ্ট স্পোর্টস সোসাইটি (এম দি এস এস) না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী খল্লবা শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়ন চেছ টিমগী মহুৎ শিন্দুনা অর্মেনিয়াদা চহীসিগী মে থাগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগনি হায়রি।

# মাষ্টর নেসনেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরনা মেদল ৫ লৌরক্লে



এল সোবিতা (শিলভর মেদল)



টি ঐচ কুঞ্জরানি (গোল্ড মেদল)



কে অথর (গোল্ড মেদল)



এন মেম্মা (ব্রোঞ্জ মেদল)



দব্লিয়ু জমুনা (গাল্ড মেদল)

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ

মমাঙ থা জন্যুৱারি ২৩ দগী ২৮ ফাওবা টামিল নাদুদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র অমসুং মাষ্টর নেসনেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী নুপী মাষ্টর লিফটরশিংনা পূন্না মেদল মঙা লৌরকখ্রে।

নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা নেসনেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী নুপী মাষ্টরগী পৱর লিফটর মঙানা শরুক য়াখিবদা মখোয় মঙামক গোল্ড মেদল লৌরকখি। অমরোমদা জুনিয়র নেসনেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী সি ঐচ রেবিকা দেবীনা কেজি ৪৮ কী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখি। কাইরং মমাঙ লৈকায়দগী সি ঐচ রেবিকানা জুনিয়রগী কাঙলুপ অদুদা মেদল লৌবা ঙমখিদে।

মাষ্টরগী কাঙলুপ্তা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৩, শিলভর মেদল ১, ব্রোঞ্জ মেদল ১ পূন্না মেদল ৫ ফংলকখি।

গোল্ড মেদল অহুম অদু খুরাই লমলোংদগী দব্লিয়ু জমুনা দেবীনা মাষ্টরগী কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল ফংখি।

খুরাই লমলোংদগী টি ঐচ কুঞ্জরানিনা মাষ্টরগী কেজি ৮৪ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল ফংখি। উখুলগী বুংপি হেন্দেংদগী কে অথরনা কেজি ৮৪ মথক্কী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল ফংখি। শিলভর মেদল অদু খুরাই লমলোংদগী এল সোবিতানা কেজি ৭২ গী কাঙলুপ্তা ফংলকখি অদুগা মোইরাং কম্পুদগী এন মেম্মনা মাষ্টরগী কেজি ৭২ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

# জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর লৈহৌরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী মিৎয়েং মখাদা ছটিশগরগী বিলাসপুরদা চথরিবা ৫০ শুবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ ফোর ডা. বি সি রোই ত্রোফি টয়র টুগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুরনা চান্দিগরগা দ্রো ওইখিবদগী মণিপুর টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুর অমসুং চান্দিগর গোল ১-১ দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তঙ্খায় য়েন্নখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা লীগ মেচতা মণিপুরনা গুজরাট গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর পোইন্ট ৩ পায়রগা লৈখি।

অনীশুবা লীগ মেচ অরুনাচল প্রদেশকা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২ দা শান্নখিবদা মণিপুর অরুনাচল প্রদেশকী মখুৎতা গোল ১-২ দা মায়থীহৌদুনা মণিপুর পোইন্ট ফংবা ঙমহৌখিদে। ঙসি অহুমশুবা লীগ মেচতা মণিপুর চান্দিগরগা গোল ১-১ দা দ্রো ওইখিবনা পোইন্ট অমখক ফংদুনা লীগ লোইবদা মণিপুর পূন্না পোইন্ট ৪ খক ফংদুনা লৈখিবনা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী মণিপুর লৈহৌবা তাখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্লনবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু মণিপুরনা অহেনবা গোল চনবা ঙমদবদগী মেচ দ্রো ওইখি। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কিষন্না মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

# ফুটবোল ফাউন্দেশন কোর্স লোইশিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ

ৱাইখোম লৈকায় এঠলেটিক ক্লব (দব্লিয়ু এ সি) শিংজমৈ মখা ৱাইখোম লৈকায়না শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা হৌখিবা জানুৱারি ১৬ তগী চথরকখিবা ফুটবোল ফাউন্দেশন কোর্স ২০১৬ হয়েং লোইশিল্লগনি।

ও রোমেনগী স্পোন্সরসিপ মখাদা নুমিৎ ২৩ নি চুপ্না চথরকখিবা ফুটবোল ফাউন্দেশন কোর্স অসি লোইশিনবগী থৌরম নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। থৌরমদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট পি রঘুমনি অমসুং ৱাইখোম লৈকায় এঠলেটিক ক্লবকী প্রসিদেন্ট ৱাই গোজেন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

# ষ্টেট লেভেল ওপন টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ

থা অসিগী ২১ দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মেইন ষ্টেদিয়মগী গেট নম্বর ১৪ গী মপাদা লৈবা প্রেক্টিশ ফিল্ডদা ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল টগ ওফৱার চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপাগী কেজি ৫৬০ গী ওপন কেটাগোরি অমসুং নুপীগী কেজি ৪৮০ গী ওপন কেটাগোরিদা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা নুপা অমসুং নুপী কাঙলুপ অনী অসিদা অহানবা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিশন তারবা টিমশিংদা শেলগী মনা মথংশিংনা লুপা লিশীং ২০, লুপা লিশীং ১৫ অমসুং লুপা লিশীং ১০ পীগনি। শেলগী মনা অসিগী মথক্তা ত্রোফি, মেদল অমসুং সার্টিপিকেটসু পীগনি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা কোন্সোলেসন প্রাইজশিংসু পীগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী অরম্বা থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৫ দা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ তাবা মরমনা থৌরমসিগা মরী লৈননা ফাইনেল মেচ পাঙথোক্তুনা চেম্পিয়নশিপ লোইশিনগনি। মরম অদুনা ষ্টেট লেভেল, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল, স্কুল কোলেজ অমসুং পব্লিক সেক্টর পুম্নমক্না হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

# সোমদেভ দেভবর্মন, রামকুমার রমানাথন দেল্লি ওপনদা শরুক য়াররোই



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

সোমদেভ দেভবর্মননা থাসিগী ১৫ দগী চথবা হৌগদৌরিবা দোল্লর ১০০,০০০ এ টি পি চেলেঞ্জর ইভেন্ট অমা ওইরিবা দেলি ওপন্দা শরুক য়াররোই।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সোমদেভ দেভমর্বন্দা নত্তনা মচিন তুমখৎলক্লিবা রামকুমার রামানথনসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই।

সোমদেভনা হায়খি, ঐনা চহী অসিগী দেল্লি ওপনদা শান্নররোই। মসিদা শরুক য়াররোই হায়রিবা অসি অকক্লবা মরম অমত্তা লৈতে। মসি সেদ্যুল য়াম্না কুংবদগীনি।

সোমদেভনা কুমজা ২০১০ গী কম্মনৱেলথ গেমসতগী দেল্লি লোন টেনিস এসোসিএশনগী কোর্টতা শান্নবা মেচতা মায়থীবা য়াওদ্রি অমদি কোর্ট অসিদা শান্নবনা মঙোন্দা নুঙাইজবা অমা পোকপদা নত্তনা হেন্না মতিং হাপ্লি। সোমদেভ হৌজিক ১৮৬ শুবা রেঙ্কতা লৈরি।

রামকুমারনা ফ্রঞ্চকী মার্সেলিদা পাঙথোকপা এ টি পি ২৪০ ইভেন্টকী ৱাইল্ড কার্দ ফংখিবদগী শান্নদনা লাক্লিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবা প্লেয়রদি য়ুকি ভম্বরিনি। য়ুকি ভম্বরিনা ১০০ শুবা রেঙ্কতা লৈরি। অতোপ্পা ইন্দিয়নশিংগী মনুংদা সিঙ্গলসকী মেইন দ্রোদা সাকেথ ময়নেনি (১৭৫) অমদি সনাম সিংহ (২৭৭) য়াওরি।

এন শ্রীরাম বলাজিনা মমাঙ চহীগী নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাক্তুনা ৱাইল্ড কার্দ ফংবা ঙমখ। ভিশনু ভর্ধাননা মদুগী ফাইনেলদা ফাইনেলিষ্ট ওইদুনা ৱাইল্ড কার্দ ফংখি। দি এল টি এনা মেইন দ্রোগী ৱাইল্ড কার্দশিং লাউথোকপা লৈত্রি।

# রিএল শগোলবন্দ অমসুং জুবেনাইল ক্লবনা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ উষা ভবন ক্লব শগোলবন্দ শয়াং অমসুং টুর্নামেন্টকী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা পূন্না শীন্দুনা উষা ভবন ক্লবকী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা নিলেস ৱাহেংবম ষ্টেট লেভেল ওপন ফুসাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা রিএল শগোলবন্দ অমসুং জুবেনাইল ক্লব সাপম লৈরক অনীনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং ফাইনেল মেচ লোইশিনবগী থৌরমদা সোসিএল ৱেলফ্যের অমসুং কোর্পোরেনস মিনিষ্টর এ কে মিরাবাই, শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ আর কে ইমো অমসুং খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ওক্রম লম্বোনিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা থৌরমদুদা দি আই জি রেঞ্জ ৱান আইকেমুইভ (আইপিএস) অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি কামৈ অঙম (আইপি এস) না স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুকয়াগনি।

